থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ঐখোয় মণিপুরগী বজেৎ

‘বজেৎ’ ইংরাজি ৱাহৈ অসি পোলিতিকল সার্কল খত্তদা ঙাঙনবা ৱাহৈ অমা ওইরক্লিবসি কুইরক্লে। তশেংবদি ৱাহৈ অসি মী খুদিংমক্কী, ইমুং খুদিংমক্কী, ওর্গনাইজেসন খুদিংগী ওইনসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসি য়াওদনা, মসি হৈতনা ইমুং অমা, সংস্থান অমা চলায়বা ওইথোক্তে। অদুবু, চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারি থাদা পুথোকপা নেসনেল বজেৎ (জেনরেল বজেৎ হায়নসু খঙনবা) লোক সভাগী সেসন অদুগী হেক মতুংদা ইকোনোমিক এক্সপর্ত ময়াম্না নৈনবগী নেসনেল মীদিয়া (ইলেক্ট্রোনিক অমদি প্রীন্ত মীদিয়া) শিংগী রিপোর্ত খরা উৎপা/ফোঙবদু নত্তনা ‘নেসনেল বজেৎ’ অদু কয়ামুক মরুওইবনো? কনানসু খন্নদে। খঙনবসু হোৎনদে। শোয়রিবসি সিদনি। লমদমসিগী মীয়ামগী চহী অমগী মরাইবক বজেৎতুনা লেপ্পিবনি। লৈপাকসিবু করম্বা মায়কৈদা পুদৌরি? মরম অসিনা গভর্নমেন্ট অমগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মীশক অমনি। ঐখোয়না খনখিবা লৈঙাকপশিংদুনা, ঐখোয়বু কদোমলোমদা হোইদৌরি - খঙননবা হোৎনদনা, শল্লুপ অমদা য়াওরিবা ষণবী/ষন্নাউ অমগুম পঙচৎ চৎপদি হৌনদেদনা!

অচৌবা নেসনেল বজেৎকী ৱাফম অদু কাউথোকখিসি ঙাইহাক্তং। ইশাগী পীল্লবা ইমুংদুগী ফেমিলি বেজেৎ নীংশিংশি। ওফিসর মচা অমা ওইরগা, লেঙদনা লাকপা ইনকমদুদা য়ুম্ফম ওইরগা শেন্বা ফেমিলি বজেৎ অদুগা, য়ুমলোন্নবা ক্রোরপতি-বিজিনেস-ফেমিলি-বজেৎতুগা মান্নবা য়াবা য়ৌনদে। লুপা তরা ইনকম লাকপা, মরিফুতরা নিরুবা- চামগী শেনফম শাগৎলগা চামকুম্লা চাদিং তৌবা - লুপা কুল্লাগী দিফিসিত বজেৎ, মথঙ চহীদা কদায়দগী কূপখৎকনি? চহী খুদিং নিরগা শেন্বা ফেমিলি বজেৎ - ইমুংদু য়াইফবা হৌনব্রা? কৈদৌঙৈ নিবা তোক্কনি? নিরগা লিংবা ইকোনোমি - চাউখৎলকপা হৌনদে।

মণিপুরগী বজেৎসু সেন্ত্রেল গ্রান্ততা তাংবনি। নাইন্তি পর্সেন্তি গ্রান্ত, তেন পর্সেন্ত সেল্ফ সেয়র- চীনফা পুরবা ৱাহায়নি। চামা দরকার ওইবদা তরা ইশানা পুথোক্লগা, মরিফুতরা দিল্লিদগী নিরুবা। নিরগা লিংবা ইকোনোমিনা লৈপাক অমবু করম্না মমায় চুমগনি? চহী খুদিংগী পুথোক্লিবা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী বজেৎশিং - দিফিসিৎ বজেৎমক্তনি। হায়বদি, শেল পুখবা বজেৎ ঙাক্তনি। সরপ্লস বজেৎ (ইনকমনা এক্সপেনি দরদগী হেনবা) অমুক্তংসু পুথোকখিদ্রি। কুমশি পুথোকখিবদুসু দিফিসিৎ বজেৎ অমনি।

তমজরিবা পাউদমসি বজেৎতু নৈনবা নৎচদে। বজেৎ এনালাইসিস হৈবা ইকোনোমিষ্ট অমসু নৎচদে। সবজেক্ট এক্সপর্তসু ওইরুদে। অদুবু এক্সপর্ত শিংনা নৈনবা, নৈন-ৱারোল ময়ামদু মীচম ঐনা পাবদা ৱাখল তাবা ঙমদদুনা, ৱাখল তামিন্ননবা ৱাফম খরদং পুথোকচগে - কলম পায়খৎচরুবনি। ইকোনোমিষ্টসু নত্তবা, ফাইনান্সিয়েল এক্সপর্তসু নত্তবা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমনা পুথোক্লকপা বজেৎতু এসেমব্লীগী হাউসতা পাথোরকপা (শন্দোক্লা তাকপা, এক্সপ্লেনেসন নত্তেকো, ৱাখল শেরান্নবীনু) মতমদদি ইকোনোমিক্সকী ৱাহৈ-ৱাতা (তর্মিনোলোজি) ময়া অমা শীজিন্নরকপদুনা তাকই - বজেৎ অদু গভর্নমেন্টসিগী ইকেনোমিক এদভাইজরনচিংবা ইকোনোমিষ্ট ময়াম্না শেন্বনি। ওইরমগনি, মখোয়দু- গভর্নমেন্টসিগী মখাদা থবক তৌরিবা অচৌবা ওফিসর, আই এ এসতগী তাদবা ময়াম অমা। লৈপাকসিগী ইকোনোমি - কমদৌনা কদোমদা চৎলিবগে য়েংদবা, মপুন চান্নবা হোৎনরিবা, চামা চাদিং তৌগদবা থবক্তু কুন-কুম্লানা য়ানবা শীল্লগা, হুস্ফুতরা-মরিফুনা মরন্নাই ফুরিৎখাউদা য়েন্নরগা হাপমীন্নরিবা কাঙবু।

অদুগা, লৈঙাকসিগী অরানবা থৌসিল লাপ্তক্লা য়েংদুনা অশোয়-অঙাম য়েংশিল্লিবা ইকোনোমিষ্ট অমদি বজেৎ এক্সপর্তশিং! কুইরে, মখোয়না হায়বা তারকপা - মণিপুর সরকারগী বজেৎতি বজেৎ নত্তে, মমাঙগী লৈঙাকপশিংনা শেল্লম্বা কদায়দই নিরগা পুরকপা শেনফমদু কদায়দা খরচ তৌসিগে হায়বগী হীসাব -কিতাব অদু য়েংলগা, শেনফম খরা শেমদোক-শেমজিন, হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা শীনে দাক্লগা পুথোক্লকপনি। খঙলবনি মখোয় - মমাঙগী লৈঙাক অদুগী চহী তরামঙা মপূম ফারমদাই, রেকোর্দ থুগায়বা থবক হাপতোক হাপচীন, অহীংগী অথেঙবা মীকূপ অমদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা ... অসিনচিংবা ময়ামগী ফাইনান্সিয়েল ইমপ্লিকেসনশিং! এক্সপরিয়েন্স ৱাৎলবা হন্দক্কী লৈঙাক অসিগী অহানবা বজেৎ - খ্বাইদই চেল্লেঞ্জিং ওইবা, সীংনবনা থল্লবা, বজেৎ অমা ওইরনি - হান্না খঙলবা ৱাফমনি। মখোয় করিগী তূমিন লৈখি? ফীদবেক করিগী পীখিদে? মখোয়গী থৌদাং য়াওদবরা, লৈপাক অসি শেন্বদা? ঐখোয় মশেন লান্নরিবসি সিদনি - অমনা অমগী মতেঙ পাংনবগী মহুত্তা অমগী অশোয়বা পুথোক্লগতা পেন্নবা। হন্দক্কী বজেৎ অসিদা, লৈঙাকপশিংনা শকখিবা ৱাশকশিং ঙাক্লনবা লন্বী য়াৎপগী মমী তাদে - এক্সপর্তশিংনা হায়। কদায়দা করম শোয়রিবা - মীচম ঐখোয়না খঙবা লোনদা নীংথিনা অমুক্তং তাকপীরবা, মীয়াম্না মখোয়বু থাগৎকনি। রিভিন্যু বজেৎ, রিভিন্যু এক্সপেন্দিচর, কেপিতেল রিসিপ্ত, কেপিতেল, পেমেন্ত ... করিনা করিনো? ঐখোয়না করম খঙগনি! বজেৎ অমা শেন্বদা ‘তেক্স’ হায়বসি কয়ামুক মরূ ওইবনো মীয়াম হুপ্পা খঙহনসি, তেক্স খ্বাইদই থীনিংদবা জাতি অদু মণিপুরদা লৈরিবা ফুরূপ মচা ময়ামসিনি, মীতৈদগী হৌরগা।

লৈপাক অমগী বজেৎ শেল্লমদাই তঙায়ফদনা তৌদবা য়াদবা অমনি - চহীদুগী মনুংদা পাঙথোক্তবা য়াদবা, প্রাইয়োরিটি পীগদবা থবকশিংদুগী ইকোনোমিক সর্ভে অমা মাঙজৌননা তৌথোকপা! খঙদে, ৱাফম অসি লৈঙাকসিগী বজেৎ শেল্লিবা এক্সপর্ত শিং-দুনা খঙবরা?

নুমিৎ মঙানিগী ওইবা লৌমীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লি, হীরম কয়াদা খন্নগদৌরি

Medziphema, Dimapur District, Nagaland - 797106
Duration: 24th July to 28th July, 2017
Venue: 1. ...oupal 2. Chandel 3. ... 4. Thoubal and 5. U... District
IDENT
Guest of Honour
SPECIAL GUEST

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : রুরেল ঔজিলিয়ারি ফোর পীপলস এক্সন (আর এ পি এ) লমদিংনা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, কো-ওপেরেসন এন্দ ফার্মর ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা কম্যুনিটি হোল, নীংতম ইঙ্খোল তেকচম মনিং চীং থৌবালদা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা লৌমীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম চথুরি।

ঙসি তেকচম মনিং চীংদা পাঙথোকখিবা লৌমীশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রামদা লাংঙথেলগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর এসঐচ বুদ্ধি, এম আই দি ঐচ মণিপুরগী ওফিসর ইন-চার্জ কে যোগেশচন্দ্র, এল অশাকুমার এস দি সী ককচিং, কেএসঐচ বিরচন্দ্র দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসন থৌবাল অমদি সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ হোর্টিকলচরগী ত্রেনিং ইন-চার্জ শিশারেনলা আইরেসু শরুক য়াখি।

থা অসিগী ২৪ দগী হৌখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি থৌবাল, তেংনৌপল, ককচিং, চান্দেল অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতসু পাঙথোক্কনি।

ঙসি তেকচমদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী হৌরকপদা রুরেল ঔজিলিয়ারি ফোর পীপল এক্সনগী সেক্রেটরি এল সুভাসচন্দ্রনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ হোর্টিকলচরগী ত্রেনিং ইন-চার্জ শিশারেনলা আইরে অমদি কে ভি কে থৌবালগী হোম সাইন্সকী আর কে লেম্বীসনানা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

প্রদক্সন টেক্নোলোজি ওফ এলোভেরা এন্দ ইটস ভেল্যু এদেদ প্রদক্ট অমদি ফ্রেস ফ্লাৱর এরেঞ্জমেন্ট ইটস প্রিন্সিপাল এন্দা দিজাইন হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। রিছোর্স পর্সনশিংগা ত্রেনিং অদুদা শরুক য়ারিবা লৌমীশিংগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি। লৌমীশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লৌমী কয়ানা শরুক য়ারি। থা অসিগী ২৮ দা ত্রেনিং লোয়শিনবগী থৌরমদা পার্টিসিপেন্টশিংদা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোক্কনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

ঐচ আই ভিগী সেন্সিতাইজেসন

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : ঐচ আই ভি/এইদসকী নোংমগী ওইবা ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ওইনামদা লৈবা রোয়েল একাদেমী ওফ লোদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিনা শৌগৎতুনা কোলেজ অসিগী এন এস এস য়ুনিট অমদি রেদ রিবন ক্লবকা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিমেল ভলুন্টিয়র ২৫ য়াওনা পুন্না ভলুন্টিয়র ৪৮ রোম্না ঐচ আই ভি/এইদসকী সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইটি অমদি এন এস এস সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কুমজা ২০০৯ দগী হৌনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েসন তৌরিবা কোলেজশিংদা রেদ রিবন ক্লব ৪৬ হাঙদোকখ্রে। মদুগী মনুংদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী য়াওরি। চহী অসিগী এপ্রিল ৮ দগী হৌনা চথুরকখিবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অদু বিরমঙ্গল কোলেজ সওম্বুং, মোর্দন কোলেজ পোরোমপাৎ, জি পি ৱুমেন্স কোলেজ, কুম্বী কোলেজ কুম্বী, কে ভি তাৱন কোলেজ চুড়াচান্দপুর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুর, শ্রী শ্রী গৌর গোবিন্দ গার্লস কোলেজ খুরাই অমসুং রোয়েল একাদেমী ওফ লো ওইনামদা পাঙথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মেল ভলুন্টিয়র ৩০৯ অমসুং ফিমেল ভলুন্টিয়র ৩০৩ সেন্সিতাইজ তৌখ্রে হায়রি।

য়ুঙাঙ অমদি য়ুঙৌ বোট্টল ৫৮ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ : য়াইরিপোক পুলিসকী এস দি পি ওনা লুচিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি হৈরোক পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙরাং শলুংফম ময়ায় লৈকায়দা থি-হুন্বা চথবদা নুপা অমগী দুকান্দগী য়ুঙাঙ বোট্টল ৫৮ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা থোকচোম কুমার (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা থোইবা কৌই। মহাক শলুংফম ময়ায় লৈকায়দা লৈবনি। মঙোন্দগী ওল্ডমোঙ্ক রম হাফ বোট্টল ৩৫, বোনস হ্বিস্কি হাফ বোট্টল ৮, দাইল্লো বিয়র কেন ১৪, দি আই সী লিটর ১ য়াওনা ফাগৎলে। য়ুগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদু এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

হোটেলদা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে

জিরিবাম, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা এ ষ্টার হায়না মীংথোনবা হোটেল অমগী কাদা নুপা অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে।

সিলচরগী রামনগর তুকোদা লৈবা কোন্সম চন্দ্রকৃতি (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে চন্দ্রকান্ত হোটেল অসিগী কা অমগী মনুংদা হৌখিবা অহিং থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি। ঙসি অয়ুক ইম্ফাল চৎকদবা গাড়ীশিংগী ত্রেভেল্লিং এজেন্টকী মীওই অমা মহাকপু ইম্ফালদা চৎনবা হোটেলদা অদুদা কৌবা লাকপদা খুল্লক্তবদগী হোটেলগী ষ্টাফনা চিংনদুনা জিরিবাম পুলিসতা পাউ পীখি হায়রি।

অয়ুক্তা জিরিবাম থাদোক্তুনা ইম্ফাল চৎকদবা মীওই অদু কৌবা তাদবদগী জিরিবাম পুলিসকী মীওইশিংনা হোটেল অদুগী মনুংদা থোং লোল্লিবা অদু থুগায়দুনা চঙলুবা মতমদা হোটেলগী কা অদুদা থৌরি য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্বনি হায়রি। করি মরমগীদমক থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। জিরিবাম হোস্পিটালদা পোষ্ট মোর্তেম তৌনবগীদমক পুখ্রে অমদি জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না হীরম অসিগা মরী লৈননা কেস অমা ফাইল তৌদুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

বোমনি হায়দুনা পাখৎনরুরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইস্কুলদা লৈবা এফ সী আই ওফিসকী মনাক্তা বোম অমা লৈরে হায়দুনা ঙরাং অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবদা মীয়াম পাখৎনদুনা পুলিসনা লন্বী ফাওবা থিংলুরে।

এফ সী আই ওফিস অদুগী মমাঙদা অঙৌবা প্লাষ্টিক খাউ অমগী মনুংদা বোম মানবা পোৎশক অমা য়াওরে হায়দুনা মফম অদুগী মীওইশিংনা চিংনবদগী ইম্ফাল পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা মফম অদুদা মী কনামত্তা চঙহন্দনা লন্বী ফাওবা থিংদুনা বোম এক্সপার্ট লাকপা ঙাইখি। মতুংদা পুলিসকী বোম এক্সপার্ট টিম অমা লাক্তুনা বোমনি হায়রিবা প্লাষ্টিক খাউ অদুদা য়াওরিবা পোৎ অদু য়েংলুবদা কোরিয়র সার্ভিসকী পোৎ—চৈ য়াওবা পেকেট অমা ওইরল্লে হায়রি।

লৌশিং পুক্কে

হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবগী কান্নবা

হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবা মীওইশিংনা মীয়াই চল্লক্ত্রিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা তারবদি দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই।

হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমদি কা-হেন্না নোয়বা হায়বসিনা দাইবেটিস য়াওনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকই।

লন্দনদা লৈবা সেন্ট জোর্জ য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সরশিংনা নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমদি নোয়বা হেনবা মীওইশিং তুংগী পুন্সিদা দাইবেটিস, হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক মায়োক্ল রকপরা হায়বগী মতাংদা কুপ্পা থিজিনখি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা প্রোফেসার খৃষ্টোফর ওৱেননা হায়খি, নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং নোয়বা হেল্লবদি তুংগী পুন্সিদা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্কৱাংনা লৈ। অদুবু ঙল্লিঙৈদা মতম চানা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্দুনা ফেটকী শরুক লৌথোকখ্রবদি রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

প্রোফেসার খৃষ্টোফর ওৱেন অমগী মহাক্কী কাঙবুনা মীয়াই চল্লবা হায়বদি মশাগী চহী ৪০ দগী ৫৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৭৭৩৫ গী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ওল্লম্মী। বি এম আই হায়বসি মীওই অমগী মরেপতা হকচাংগী অরূম্বনা য়েন্থোকপদা তারকপা মশীং অদুনি।

ষ্টদি অদুগী রিছার্সরশিংনা খঙলকখিবদি নহা ওইরিঙৈদা কা-হেন্না নোয়বা অমসুং লুম্বা মীওই খুদিংমক অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়বসিনি। অদুম ওইনমক ঙল্লিঙৈদা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হন্থহনবা ঙল্লবদি রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা মরম ওইরদুনা অনোয়বা মীওইশিংদা টাইপ-টু দাইবেটিস ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না থাজনরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ১৯৮০ গী মতুং তারকপদা মালেমগী ওইনা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীশিং শরুক অনীরোম হেনগৎলক্লে। হকচাংগী অরূম্বা হেনবনা দাইবেটিসখক নত্তনা থম্মোয়গী লায়না অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্কসু হেনগৎহল্লি। মদিসু নত্তনা ওষ্টিওঅরথ্রাইটিসকুম্বা মস্কুলো-স্কেলেটল দিসওর্দর, এন্দোমেট্রিয়ল কেন্সর, ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি কোলোন কেন্সরগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা লেপখিবা কাঙলোন মতুংইন্না বি এম আই ২৫ দগী হেনা মীওইশিংবু ওভরৱেথ অমসুং বি এম আই ৩০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মীওইশিংবু ওবেস ওইরে হায়না লৌগদবনি।

অমরোমদা, অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন্না হন্দক্তা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী মরম ওইরিবসি কুমজা ২০১৩ গী ওইনা থম্মোয়গী লায়নানি। ষ্ট্রোক্লা অনীশুবদা লৈরি। হায়রিবা চহী অদুদা শিখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩১ রোম থম্মোয়গী লায়নানা শিহনখিবনি। থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরদুনা শিখিবা মীওই অয়াম্বা শেন্থোক ৱাৎপা ইমুংগী মীওই ঙাক্তনি।

মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবগী মতাংদা ষ্ট্রোক্লা অনীশুবদা লৈরি। কুমজা ২০১৩ দা শিখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১১.৮ দি ষ্ট্রোক্লা মরম ওইরদুনা শিখিবনি। অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মার্ক ক্রীগরনা হায়খি, থম্মোয়গী লায়না অমদি ষ্ট্রোক্লা মরম ওইরদুনা মী শিহনবগী চাং খরমখৈ হন্থহনবা ঙল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা অদুম্মক লৈরি।

কুমজা ১৯৫৮ দগী হৌনা য়ু এসকী নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্থ, সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন অমসুং অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন্না খোমজিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা দেটাশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱাফম অসি খঙলকপনি। কুমজা ২০১৩ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা মীওই অহুম শিখিবগী মনুংদা অমদি থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমদি অতৈ কার্দিওভাস্কুলর দিজিজশিংনা মরম ওইরদুনা শিখিবনি হায়বা ষ্টদিদগী খঙবা ঙমখি।

থম্মোয়গী লায়নানা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী থৌওং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস খক্তদা নত্তে, মালেমগী মফম পুন্নমক্তনি হায়না ন্যুয়োর্ক একাদেমী ওফ মেদিসিনগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ফোর রিছার্স দেবিদ সিস্কোবিকনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা হাইপর টেন্সন, ওবেসিটি অমসুং দাইবেটিসকী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। চাকচা-য়ুথক অমদি পূন্সি মহিংনা মরম ওইরদুনা থৌওং অসি ওইহল্লকপনি। পূন্সি মহিং শেমদোকপদগী থম্মোয়গী লায়না অমদি দাইবেটিসনচিংবা ফনা য়াম্না লাকশিনবা ঙল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা অদুম্মক লৈরি। ৱাফম অসি ‘সর্ক্যুলেসন’ জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

Friends cancer centre
Friends cancer centre
Friends cancer centre

‘ঈশিং ঈচাও মায়োক্লখ্রবশিংদা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা মতেঙ পাঙলকখ্রে’

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়াম অমদি রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিংদা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা মতেঙ পাঙল্লকখি হায়না ওকরেন্স ফ্লাস ফ্লদ রিলিফ কেম্প ২০১৭ কী ইন চার্জ নবকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওশিংগা মরী লৈননা ভিলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খাঙবোক, পোপ্যুলর য়ুথ ক্লব, খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকায় অমসুং রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লব খাঙবোক, কিয়াম খোঙনাংথাবা লৈকাই অহুম অসিনা শীন লাংদুনা য়ুমথোং ৩১৪ গী মীওই ৭০০ রোমদা তেঙবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। রিলিফ কেম্পশিং অদুদি খাঙবোক খা খুন্দোন প্রাইমারি স্কুল, মোইরাংথেম মাইমুগী সঙ্গোই, খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকায়গী কম্যুনিটি হোল, রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লবকী হোল য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর থৌবালগী দি সী এল নবকিশ্বর, এস দি সী থৌবাল থোকচোম শ্যামকেশ্বর, এক্স প্রধান মোইরাংথেম মঙলেমজাওনচিংবনা থা অসিগী ১৩ দগী ২৪ ফাওবা খুদক্কী অৱাং তেঙবাং য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মায়কৈদগী চেঙ বেগ ১৩, হৱাই বেগ ৩, অচাথাউ বোট্টল ১২০, থুম বেগ অনী, সোলর লেম্প ১২, টেন্ট অমা য়াওনা পীবীরক্তুনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

নুমিৎসিদা খাঙবোক পার্ট ৱানগী কেঐচ রাজমোহোন্না ঈশিং টেঙ্কি গাড়ী তরেৎ, শেল ওইনা লুপা ১০০০, খাঙবোক্কী জি পি কেঐচ রানেন্না ঈশিং টেঙ্কি ২, শেল ওইনা লুপা ৩০০০, খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকায়না লুপা ২০০, খাঙবোক এ সীগী এম এল এ, ওক্রম সুর্যকুমার অমসুং এক্স এম এল এ ও লন্দোনীনা চেঙ কেজি ৪০ চনবা বেগ ৪, অচাথাউ বোট্টল ২৫, হৱাই কেজি ২৭, থুম পেকেট ২৫, থক্নবা ঈশিং টেঙ্কি ১ তেঙবাং পীরমখি।

হুমনি চনবা নুমিৎতা সেকেন্দ অসাম রাইফলসগী ২ আই সী ডা. দব্লিউ ৱাইফৈ, কেপ্টেন দব্লিউ রঘুইনা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অনী পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মীওই ২০০ রোম লায়েংখি। কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খাঙপোক্কী ফাউন্দর কেঐচ মেঞ্জরনা লুচিংবা টিমনা চেঙ বেগ ১৪, থাউ বোট্টল ৩০, থুম বেগ অমা, এ এস এন্দ এস ও, দি এস এল আর থৌবালনা মহাক্কী থাগী তলবতগী চেঙ বেগ ১০, থুম বেগ অমা, এক্স প্রধান মোইরাংথেম মঙলেমজাওনা চেঙ বেগ ৬, শেল ওইনা লুপা ১৫০০ তেঙবাংলমখি।

মরিনিশুবা নুমিৎতা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ইগজিক্যুটিব মেম্বর থোকচোম জদুমনিনা এ সী অসিগী পোল্লিং নম্বর ৩৫/৭, ৩৫/৯ দা চেঙ বেগ ৩৬, সুনু বেগ ২৩, ব্লিচিং পাউদর বেগ ৪, ঈশিং টেঙ্কি অমা, থর্দ আই আর বিগী সী ও কে মেঘচন্দ্রনা ঈশিং টেঙ্কি অমা, চেরাপুর মখা য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন সঙ্গাইয়ুম্ফমনা চেঙ বেগ মঙা, হৱাই বেগ অমা, থুম বেগ ৬৫ তেঙবাং পীরমখি।

মঙানিশুবা নুমিৎতা ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর অমদি ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি ৱাংজিং লমদিংনা ঈশিং দি আই টেঙ্কি ১৪ য়েন্থোকখি। তরুকনিশুবদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি থৌবালনা শা-ষণ ৮৪ হিদাক কাপথোকখি লোয়ননা অনাবা ষণশিংদা হিদাক পীজখি। মাপন্নি শুবা নুমিৎতা দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা ঈশিং টেঙ্কি ২, খাঙবোক পার্ট থ্রিগী জি পি সাইখোম সনাতোম্বনা লুপা ৫০০, জিতেন সাউন্দ সর্ভিস খাঙবোক্কী প্রোপাইটর অমসুং মাগী অপোকপনা নুমিৎ মঙানিগী মাইক, লাউদস্পীকর মতেং পাঙখি। কেঐচ নির্মল্লা লৈখিদ্রবা অপোকপগী মীংদা লাইটকী মতেং পাঙখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা মীওই ৩১৭ লেম্না লায়েংখি। কেম্প অদুদা ডা. এম বেদনা অমসুং দোক্তর অনী লোয়ননা ষ্টাফ শরুক্লা শরুক য়াখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : থৌবাল লৈশাংথেম খোং মনুংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লদুনা রিলিফ কেম্প হাঙলগা লৈরিবা মীয়ামদা ঙসি থৌবাল কোলেজগী ষ্টাফশিং, নন তিচিং ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেঙবাংখ্রে।

রিলিফ কেম্প অদু হাঙবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লোকেল ক্লবশিংগী খুখাংদা চেঙ কেজি ১৫০০, হৱাই কেজি ৩০০, অচাথাউ বোট্টল ৩০০, থুম পেকেট ৩০০ খুৎশিন্নখি। থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরিবী ও চাউবনা ফোঙদোরকপদা, ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবশিং অসিগী খন্দুনা কোলেজগী মায়কৈদগী অঙম্বা পোৎলম খরা তেঙবাংবনি। মখা তানা কোলেজ অসিগী মায়কৈদগী মেদিকেল কেম্প অমা শীন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না তেন্থা অমদি লৈশাংথেম খোং মনুংগী রিলিফ কেম্প হাঙদুনা লৈরিবা মীয়ামদা ঙসি ইন্দেন এল পি জি দিষ্ট্রিব্যুটর ওফ মণিপুরনা চেঙ, আলু, থাউ য়াওনা চানবা পোৎলম কয়া তেঙবাংখ্রে। তেঙবাংবগী খোঙচৎ অদুদা হৈরোক ইন্দেন গ্যাস, য়াইরিপোক ইন্দেন গ্যাস, অথোকপম ইন্দেন গ্যাস, নোংপোক সেকমাই ইন্দেন গ্যাসকী মীওইশিং শরুক য়াখি।

রিলিফ কেম্প অদুবু হাঙলিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখি। প্রোভাইদর অমনা ফোঙদোরকপদা, ঈচাওনা অৱাবা তারবা মীওইশিং অসিদা অঙম্বা মতেঙ পাঙনবগী ৱাখল্লোনদা খোঙথাং অসি পায়খৎপনি। ঈচাওনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেঙবাংবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তাখি।